**RNU, IMPHAL**
**MANIPURI EVENING NEWS SCRIPT AT 7.30 PM**
**(Date: 26-10-2025)**

--অহানবদা মরুওইবা পাউ--

১) প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিনা হায়রি- লৈবাক অসিগী চীং অমসুং তম অনিমক্তা জঙ্গল কয়ামরুম লৈ, জঙ্গলশিং অসিনা লৈবাক লৈহাওবু চেৎনা ফাজিনদুনা থম্মী।

২) মিজোরমদা আইন্না কায়না চংশিল্লকপা মীতোপশিং তকথোকপগী খোঙথাং অমা লাক্কদৌরিবা অসিগা মরী লৈননা মণিপুরগী ঙমখৈ জিলাশিংদা অহেনবা সেক্যুরিতি ফোর্স থাজিন্নবা রাজ্যপালদা তকশিল্লগনি হায়না হান্নগী মুখ্য মন্ত্রি নোংথোম্বম বিরেন সিংহনা ফোংদোকখ্রে।

৩) লোক সভাগী এম.পি. ডাঃ অঙোমচা বিমোল অকোইজমনা হায়রি- রিলিফ কেম্পতা চংজফম লৌদুনা লৈরিবা আই.দি.পিশিংনা মখোয় মশা মশাগী য়ুমদা হঞ্জিনদ্রিবা ফাওবদি মণিপুরদা শান্তি হঞ্জিল্লে হায়বা য়ারোই।

৪) নিউ দিল্লিদা পাঙথোক্কদবা অহানবা ভারত ইন্তরনেসনেল রাইস কনফরেন্সতা মণিপুরগী লৌউ শিংউ বিভাগসু চাউনা শরুক য়াগদৌরি।

অমসুং

৫) ছত্তিসগরগী কনকের জিলাদা নুপী ১৩ য়াওনা মাওইষ্ট ২১ সরকারদা চংজখ্রে।

------

মনকিবাট ঃ প্রধান মন্ত্রি-নরেন্দ্র মোদিনা হায়রি-লৈবাক অসিদা হন্দক কুম্মৈ হরাউগী মতমদা ইরমদমদা শাজবা পোৎ-চৈ য়োনবা অমসুং লৈবগী চাং য়ামা ৱাংখি।

অকাশবানিগী থোংদা ঙসি শন্দোকখিবা প্রধান মন্ত্রিগী ১২৭ শুবা মন-কি-বাট, পুকিংগী ৱা থৌরমদা শ্রী মোদিনা হায়-অনৌবা জি.এস.টি. রিফোম অসিনা লৈবাক অসিগী মীয়ামদা চাউনা কান্নবা পীরে। চানবা থাউদা চাদা ১০ হন্থখিবা অসিদা মীওই কয়ানা নুংঙাইবা ফোংদোরক্লি।

প্রধান মন্ত্রিনা হায়-লু-নানবা অমসুং লু-নান্নবা হোৎনবা হায়বগী মতাংদসু লৈবাক অসিগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা অনৌবা খোঙথাং কয়া পায়খৎনরক্লি। মহাকা হায়-চহি অসিগী নবেম্বর তরেৎতা জাতিগী ঈশৈ বন্দে মাতরম চহি ১৫০ শুরগনি। চহি ১৫০ গী মমাংদা চোকথরবা মীখা পোন্দুনা লৈরুরবা ভারত মচাশিংবু থৱায় হাপবগীদমক-বংকিম চন্দ্র চতোপধিয়াইনা বন্দে মাতরম অসি ইখিবনি। ১৮৯৬ তা গুরু দেব রবিন্দ্রনাথ টেগোরনা ঈশৈ অসি ইহান হান্না শকখি। বন্দে মাতরমগী চহি ১০০ শুরকপা অসিদা থৌরম কয়া লৈবাক শিন-থুংনা পাঙথোকবা শেম শারি।

প্রধান মন্ত্রিনা হায়-ভগবান বিরাসা মুন্দাগী মপোক কুমওন নুমিৎ, নবেম্বর ১৫ বু জন জাতিয়া গৌরব দিবস পাঙথোক্কনি। মহাকা লৈবাক অসিগী নীংতম্বা পুরকবা ত্রাইবেল খুন্নাইগীদমক মখোয়গী হক্কীদমক তৌরম্বা থবকশিং শিংথবদা লোইবা নাইরোই।

শ্রী মোদিনা হায়-সরদার ভাল্লবভাই পতেলগী ১৫০ শুবা মপোক কুমওন থা অসিগী ৩১ দা পাঙথোক্কদৌরিবা অসি য়ামা মরুওইবা নুমিৎ অমনি। মহাকা হায়-সরদার পতেলনা ভারতকী ব্যুরোক্রেটিক ফ্রেমৱার্ককী অচেৎপা য়ুম্ফম থোনখি। লৈবাক্কী অমত্তা ওইবা অমদি অপুনবগী শক্তম শাগৎনবগীদমক মহাকা কন্না হোৎনখি।

শ্রী মোদিনা হায়- লৈবাক অসিগী চীং অমসুং তম অনিমক্তা জঙ্গল কয়ামরুম লৈ, জঙ্গলশিং অসিনা লৈবাক লৈহাওবু চেৎনা ফাজিনদুনা থম্মী। প্রধান মন্ত্রিনা হায়- সমুদ্র মপানদা মেনগ্রোভ কয়ামরুম লৈরি। মেনগ্রোভ

অসি সমুদ্র খোঙবানগী লৈঙোইদুনা হৌদুনা সমুদ্রগী ইকো সিষ্টেমগী মরুওইবা শরুক অমা ওইরি। সুনামি নত্রগা নোংলৈ নুংশিৎ লাকপা মতমদা মেনগ্রোভনা মীয়ামগী চাওরবা মতেং পাংলি। মেনগ্রোভগী কান্নবা অসি খঙবদগী গুজরাতকী ফোরেষ্ট বিভাগনা চহি মঙাগী মমাংদা অহমেদবাদকী অনকপদা লৈবা দোলেরাদা মেনগ্রোভ থাবগী থবক পায়খৎপা হৌখ্রে। মসিনা মরম ওইদুনা মফম অদুদা দোলফিনগী মশিং শিংথানিঙাই ওইনা হেনগৎলে।

প্রধান মন্ত্রিনা হায়- গুজরাতকী কটচতসু মেনগ্রোভ থাবগী থবক কন্না পায়খৎলি। উপাল ৱাপাল হায়বসি য়ামা মরুওই। মখোয়না থৱায় পানবা খুদিংমক্তা কান্নবা পীরি।

বিরেন (এল)ঃ মিজোরমদা আইন্না কায়না চংশিল্লকপা মীতোপশিং তকথোকপগী খোঙথাং অমা লাক্কদৌরিবা অসিগা মরী লৈননা মণিপুরগী ঙমখৈ জিলাশিংদা অহেনবা সেক্যুরিতি ফোর্স থাজিন্নবা রাজ্যপালদা তকশিল্লগনি হায়না হান্নগী মুখ্য মন্ত্রি নোংথোম্বম বিরেন সিংহনা ফোংদোকখ্রে।

ইম্ফাল ইষ্ট জিলাগী লুৱাংশংবম মখা লৈকাইদা লৈবা কম্যুনিতি হোলদা আই.দি.পিশিংবু নিংঙোল চাক্কৌবগী থৌরমদা শরুক য়াখিবা শ্রী বিরেনদা পাউমীশিংনা হংবা ৱাহংগী পাউখুমদা মহাকা হায়- ড্রগ অমদি ইল্লিগেল ইম্মিগ্রেন্ট অসি থেংননবা মীয়াম পুন্না অমত্তা ওইনা হোৎনমিন্নবা চংই। ম্যান্মারগী ৱাথোকা মরম ওইরগা মণিপুরদা হান্নদগী হৌনা মীতোপশিং চংশিল্লকপা লেপত্রিঙে চৈরক অসিদা হন্দক মিজোরমদগী মীতোপশিং তকথোরকপগী খোঙথাং অসিনা রাজ্য অসিগা তাইনবা ঙমখৈ জিলাশিংদা অকনবা সেক্যুরিতিগী চেকশিন থৌরাং লৌখৎপা তঙাইফদে।

লুৱাংশংবম য়ুনাইতেদ ক্লব ওর্গনাইজেসন্না শিন্দুনা পাঙথোকখিবা নিংঙোল চাক্কৌবগী থৌরম অদুদা মোরে অমদি চুরাচান্দপুরদগী লাঞ্জেল্লক্তুনা রাজ্য অসিগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা হাংলিবা রিলিফ কেম্পতা লৈবা মীওই লিশিং ২ রোম শরুক য়াখি। মখোয়বু খুদোলপোৎ পীদুনা ইকায় খুমবসু উৎখি। থৌরম অদুদা রাজ্য সভাগী এম.পি. লৈশেম্বা সনাজাউবসু শরুক য়াখি।

অমরোমদা, মণিপুরী মৈতৈ এসোসিয়েসন বেঙ্গলোর অমদি করনাটকা মৈতৈ এসোসিয়েসন্না শিন্দুনা নিংঙোল চাক্কৌবগী থৌরম বেঙ্গলোরদা পাঙথোকখি।

থৌবাল দিষ্ট্রিক্ট পুলিসনা শিন্দুনা জিলা অসিগী পুলিস ষ্টেসন ৬ না কোনবা মফমশিংদা লৈরিবা মৈরা পায়বী লুপশিং নিংঙোল চাক্কৌখি। দিষ্ট্রিক্ট পুলিস হেদক্বাটরদা পাঙথোকখিবা থৌরম অদুদা থৌবালগী এস.পি. মনোজ প্রভাকর এমনা মৈরা পায়বী লুচিংবীশিংদা খুদোলপোৎ পীদুনা ইকায় খুমখি।

বিমোল (এল)ঃ লোক সভাগী এম.পি. ডাঃ অঙোমচা বিমোল অকোইজমনা হায়রি- রিলিফ কেম্পতা চংজফম লৌদুনা লৈরিবা আই.দি.পিশিংনা মখোয় মশা মশাগী য়ুমদা হঞ্জিনদ্রিবা ফাওবদি মণিপুরদা শান্তি হঞ্জিল্লে হায়বা য়ারোই।

ইম্ফাল ইষ্ট জিলাগী অকামপাৎতা লৈবা আইদিয়েল গার্লস কলেজ, অকামপাৎ রিলিফ কেম্পতা নৌনা শাবা কম্মন ৱার্কসেদ অমা ঙসি শঙ্গাবগী থৌরমদা শ্রী বিমোলনা হায়- ৱার্কসেদ অসি মেম্বর ওফ পার্লিয়ামেন্ট লোকেল এরিয়া দিভলপমেন্ট স্কিম ২০২৫-২৬ কী মখাদা শাবনি। মসিনা লাঞ্জেল্লক্তুনা রিলিফ কেম্প অসিদা লৈরিবা মীওইশিংগী শেল থুমগী ফিভমদা কান্নবা পীবা ঙম্লগনি। মহাকা হায়- মণিপুরগী ৱাথোক অসিদা হেন্না অৱাবা মায়োকরিবা ময়ুম মকৈ মৈ থাদোকপিখিদুনা রিলিফ কেম্পতা লৈরিবা মীওইশিংগী অচুম্বা ৱায়েল ফংহনবা হায়বসি অমুক হন্না ময়ুম ময়ুমদা হঞ্জিনহনবা অদুনি। মফম অমদা থম্লগা চান থকবখক পীরগা মখোয় নুংঙাইনা লৈরে হায়বা য়াদ্রি।

চাকহাও (এল)ঃ থা অসিগী ৩০ অমসুং ৩১ দা নিউ দিল্লিগী পগতি মৈদানদা লৈবা ভারত মন্দাপমদা পাঙথোক্কদবা অহানবা ভারত ইন্তরনেসনেল রাইস কনফরেন্সতা মণিপুরগী লৌউ শিংউ বিভাগসু চাউনা শরুক য়াগদৌরি।

রাজ্য সরকারনা সোসিয়েল মিদিয়াদা থাগৎলকপা ৱারোল অমদা হায়- মণিপুরগী মমিং লৈরবা অতাংবা মখলগী অমুবা অমসুং অঙৌবা চাকহাও মখলশিং পুথোক্তুনা উৎকনি। মসিগী মথক্তা এগ্রিকলচরেল এন্দ প্রোসেসস ফুড

প্রদক্স এক্সপোর্ট দিভলপমেন্ট অথোরিতি (অপেদা)গা য়ান্না ৱারোল অমা সহি তৌনদুনা চহি অসি লোইশিল্লকপদা জপানদা চাকহাও অঙৌবা মেত্রিক টন ২০ অহানবগী ওইনা থাদোক্কনি। লৌউ শিংউ বিভাগনা রাজ্য অসি লৌউ শিংউবগী থবক হেন্না পাকথোক চাউথোকহন্দুনা লৌমীশিংবু মতমগা চুনরবা খুদোংচাবশিং পীদুনা মণিপুর সরকারনা মতেং পাংলি। মসিনা মখোয়গী শেনমিৎলোন ফগৎহনবদা নত্তনা মণিপুরবু অখন্নবা চেং মখল অসিগীদমক মালেমদা শক তাকবা হোৎনবদা চাউনা মতেং ওইরগনি।

কাংপোকপী (এল)ঃ নেসনেল হাইৱে-টু ইম্ফাল-দিমাপুর লম্বীগী কলাপহারদগী সপরমৈনা ফাওবগী লম্বী অসি হৌখিবা মতম কয়াদগী নেসনেল হাইৱে ইনফ্রাষ্ট্রকচর দিভলপমেন্ট কোর্পোরেসন লিমিতেদনা শেমগৎপগী থবক পায়খৎলি। অদম্ওইনমক, লম্বী শেম্বদা অশোই অঙাম থোক্তনবা থৌশিল থৌরাং পায়খৎতবনা লম্বী পরিং অসিদা এক্সিদেন্ট থোকপগী চাং ৱাংলি। ঐখোয়গী কাংপোকপী পাউমী ভাগুনৈ সিংসিৎনা হায়- ঙরাং নুমিদাং পুং ৭ তগী ৮ ফাওবগী মনুংদা কৈথেলমানবী মিলিটরি কোলোনি ময়াদা বাইক থৌরকপা মীওই অমা লম্বী ময়াইদা তৌখায়বা কোম অমদা তাশিনবদগী গাড়ি থৌরক্লিবা মীওই অদু ইরাকদুনা শিরে। ঙসি অয়ুকসু চেক পুরকপা ট্রক অমা কৈথেলমানবী খুল ময়াদা লৈবা কোমজাউ অমদা তাশিনখি। অদুমওইনমক, অশোক অপনদি য়াওখিদে। লম্বী অসি মতম শাংনা শেম্বদবনা উফুল-ৱাইফুলনা মফম অদুগী মীয়ামদা চাউনা খুদোংচাহন্দবগা লোয়ননা তোঙান তোঙানবা মখলগী লায়নাশিং নাবা য়াওরে।

কংগ্রেস(এল)ঃ মনিপুরদা শান্তি অমসুং নুংশি চান্নবা অমত্তা ওইনা হিংমিন্নবা হায়বসিদা নোংমগী ওইবা য়ুথ কনভেন্সন অমা মনিপুর প্রদেস য়ুথ কংগ্রেস কমিতিনা শিন্দুনা ইম্ফালগী পেলেস কম্পাউন্দদা লৈবা মনিপুর ষ্টেট ফিল্ম দিবলপমেন্ট সোসাইতিদা পাঙথোকখ্রে। থৌরমদুদা এম.পি.সি.সিগী প্রসিদেন্ট-কৈশাম মেঘাচন্দ্রনা য়ুথ ভিজন-২০৩০ পুথোকখি। য়ুথ ভিজন ২০৩০

অসিনা রাজ্য অসিগী নহাশিংবু শান্তিগী দুত, দিজিটেল লুচিংবা, চেঞ্জ মেকর অমসুং গনতন্ত্রগী মপু ওইনবগী লন্বী য়াৎপনি। য়ুথ ভিজন ২০৩০ না হায়রি- মনিপুরগী তুংগী লন্বী অসি নহাশিংদনি। অমত্তা ওইবা স্কিল অমসুং অখাঙ কনবনা লমদম অসিবু শান্তি লৈবা চাউখৎপা অমদি খুদোংচাবা কয়ামরুম ফংবা লমদম অমা ওইহনবা ঙমগনি।

মনিপুর কংগ্রেস কমিতিনা য়ুথ লিদরসিপ, স্কিল দিবলপমেন্ট অমসুং ইনক্লুসিপ গ্রোথতা অহেনবা মীৎয়েং চংদুনা ইং ২০৩০ ফাওবদা মনিপুরবু শান্তি লৈবা অমসুং চাউখৎপা লমদম অমা ওইহন্নবা হোৎনরি। ঙসিগী থৌরম অদুদা ইন্দিয়ান য়ুথ কংগ্রেসকী নেসনেল প্রসিদেন্ট-উদয় বানুজি, মনিপুর প্রদেস কংগ্রেস কমিতিগী প্রসিদেন্ট-কৈশাম মেঘাচন্দ্র অমদি লুচিংবা কয়া শরুক য়াখি।

কাংপোকপী (এল)ঃ ড্রগনা ঐখোয়গী মঙলান মাংহল্লোইশি হায়বা হিরমদা কাংপোকপী জিলাদা ঙরাং মরাথোন লমজেল পাঙথোকখ্রে। গুনচু ইন্সটিট্যুটনা কাংপোকপী দিষ্ট্রিক্ট পুলিস, কাংপোকপী য়ুথ য়ুনিয়ন, কে.এস.ও সাদর হিলস, হিনতুই, ওরেকল অমসুং সেলনৌ জিমগা পুন্না শিনদুনা পাঙথোকখিবা মরাথোন অদুদা মীওই কয়ানা শরুক য়াখি। লমজেল অদু তোঙান তোঙানবা কেটাগোরিদা পাঙথোকখি। লমজেল অদু কাংপোকপীগী কৈথেলমানবী মিলিটরি গ্রাউন্দদগী লমথারগা থোমাস গ্রাউন্দদা লোইশিনখি।

সামাতা (এল)ঃ মেঘালয়গী শিল্লোংদা লৈবা মণিপুর রাজবারি থুগাইখিবা অদুবু মণিপুর সরকারগী প্লান্নিং এন্দ দিভলপমেন্ট অথোরিতি (পি.দি.এ)গী হেদ ওফ দিপার্টমেন্টকী মথক্তা ইনক্বারি তৌগদবনি হায়না সামাতা পার্তি মণিপুর ষ্টেট কমিতিনা দাবী তৌরি। চেরোল অমদা লুপ অসিগী প্রসিদেন্টনা হায়- থুগাইবা অদুদা চেন্নবা কর্ম্মচারি খুদিংমক সেন্ট্রেল সিভিল সার্ভিস (ক্লাসিফিকেসন, কন্ট্রোল এন্দ আপীল) রুলস ১৯৬৫ গী মখাদা চপ চাবা থবক লৌখৎকদবনি। মসিগী মথক্তা রাজবারি বিল্ডিং থ্গাইখিবগী মচাকশিং অদুনা চপ চানা হান্নগী ফিভম অদুমক্তদা পি.দি.এনা খুদক্তা মফম অদুমক্তদা শাগদবনি হায়রি।

এমদিএফ (এল)ঃ মণিপুর পিপলস দেমোক্রেতিক ফ্রন্টনা হায়রি- মণিপুরগী ভোতর লাখ ২০ লিশিং ৫৪,৩৮৭ না মীখলদা করিগুম্বা মখল অমত্তগী শেঞ্জা থুমজা য়াওদনা ইশা ইশানা পামজবা মীরেপশিং অদুদা ইশাগী ভোৎ পীদুনা মীহুৎ খনবা ঙমদ্রিবা মখে হৌজিক ওইরিবা মণিপুরগী শক্তম অসিদগী হেন্না ফিভম শোকচিল্লকপা য়াই। চেরোল অমদা লুপ অসিনা হায়- মণিপুর অসি অমুক্তং কন্নবা লমদম অসিগী মীয়াম পুন্না অমত্তা ওইনা হোৎনমিন্নশি।

নোনে (এল)ঃ রোংমৈ বেপটিষ্ট চর্সেস কাউন্সিলগী ৪০ শুবা য়ুথ ডে থৌরম ঙসি নোনে জিলাগী চর্চশিংদা পাঙথোকখি। ওনলি জিজস সেষ্টিফাইস হায়বা হিরমদা পাঙথোকখিবা থৌরম অদুদা ঈশৈ, বাইবল রিসাইতেসন, ক্বিজ, মোনোলোকচিংবা চাংদমবগী থৌরম পাঙথোকখি।

মাওইষ্ট ঃ ছত্তিসগরগী কনকের জিলাদা মাওইষ্ট ২১ সরকারদা চংজখ্রে। চংজরকখ্রবশিংগী মনুংদা মাওইষ্ট নুপী ১৩ য়াওরি। পুলিসতা চংজরকপা মতমদা মখোয়না খুৎলায় ১৮ লোয়নরকখি। মসিগী মনুংদা এ.কে. ফোরতিসভেন রাইফল ৩, এস.এল.আর ৪ অমসুং পোকখায়বা য়াবা মচাক মথুমশিং য়াওরি। পুলিসকী পাউনা হায়- ঙসি চংজরকখিবা মাওইষ্টশিং অসি বাস্তর লমদমদা মতম কুইনা মপাঙ্গল কন্না লৈরম্বা কাংবুনি।

ইন্দিয়া-অসিয়া ঃ মালেসিয়াদা চত্থরিবা অসিয়ান ইন্দিয়া মীফমদা প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদি ভারচুয়েল ওইনা শরুক য়াখি। ইন্দিয়া-অসিয়ান মপাঙ্গল কনখৎহন্নবা অমসুং ইনক্লুসিভ ইন্দো-পেসিফিক ওইনবগীদমক ভারতকী মীৎয়েংগী মতাংদা প্রধান মন্ত্রিনা ৱাফম কয়ামরুম ফোংদোকখি।

মহাকা হায়- অসিয়ান মীফম অসি ভারতকী এক্ট ইষ্ট পোলিসিগী মরুওহবা য়ুম্বী অমা ওইরি। মীফম অদুদা প্রধান মন্ত্রিনা থাইলেন্দগী মহারাণি শিরিকিত লৈখিদবদা অৱাবা ফোংদোক্লি। মালেসিয়ানা অসিয়ান মীফম মপুং ফানা পাঙথোকপগীদমক য়ুম্বু লৈবাক অসিবু থাগৎপা ফোংদোকখি। মসিদা নত্তনা

অসিয়া কম্ম্যুনিতিদা ইনৌ নৌনা য়াওরকপা ইষ্ট তিমোরবুসু থাগৎপা ফোংদোকখি। শ্রী মোদিনা হায়- কুমশি চহিগী অসিয়ান মীফম অসিগী হিরম অমা ওইরিবা ইনক্লুসিবিলিতি অমসুং সষ্টেনেবিলিতি হায়বসিনা হৌজিক্কী মতমদা মায়োকরিবা ফুড সেক্যুরিতি লৈহন্নবা অমসুং দিজিতেল ইনক্লুজন য়াওহন্নবা হোৎনরিবা অসিগী ময়েক লারবা খুদম অমনি। ভারতনা মসিবু শৌগৎপগা লোয়ননা হিরম অসিগী পরিংদা চৎনবা হোৎনরি। শ্রী মোদিনা হায়- অসিয়ান কম্ম্যুনিতি ভিজন ২০৪৫ অমসুং ভিক্সিত ভারত ২০৪৭ না মীওইবা জাতি পুমমক্কী তুংগী মরাইবক ফগৎহন্নবা হোৎনবদা চাউনা মতেং ওইরগনি।

--হৌজিক শান্নবগী পাউ--

পোলোঃ  মনিপুর হোর্স রাইদিং এন্দ পোলো এসোসিয়েসনগী মখাদা চথরিবা ৩৮ শুবা এন.হজারি এন্দ ডা: এন তোম্বী ষ্টেট পোলো টুর্নামেন্ট ২০২৫ গী ঙসি শান্নখিবা মেটচশিংদা নোংপোক অপুনবা শগোল কাংজৈ লুপ নোংমৈবুংনা য়ুনিভর্সিয়েল পোলো ক্লব-এ লাঙ্গোলবু পাঞ্জল ৬-৫ দা, তেন্থা পোলো ক্লবনা য়ুনিভর্সিয়েল পোলো ক্লব-সিবু পাঞ্জল  ১৪-০ দা অমদি অসাম রাইফলস পোলো টিম-এনা ইম্ফাল রাইদিং ক্লব-বিবু পাঞ্জল ১৫-০ দা থোইখ্রে।

লমজেল(এল)ঃ এঠলেটিক এসোসিয়েসন ওফ মনিপুর অমসুং মনিপুর রনিং টিমনা পুন্না শিনদুনা ঙসি ইম্ফালগী খুম্মন লম্পাক স্পোর্টস কমপ্লেক্সতা মিনিট ৩৪ দা কিলোমিটর ১০ চেনগদবা লমজেল পাঙথোকখ্রে। লমজেল অদু য়ুথ এফিয়ার্স অমসুং স্পোর্টসকী দাইরেক্তর-ডা: ময়েংবম ভেতো সিংহনা লমথাখি। লমজেল অদুদা লৈফ্রাকপম অৱাং লৈকাইদগী মুতুম মুক্তা অহানবা, নোনে

জিলাগী পোংরিংলোং চরোই পংদোংবদগী জি. মলাংমৈনা অনিসুবা অমসুং নাওরেম চাপ্রৌ অৱাং লৈকাইদগী লোংজম কালজোইনা অহুমসুবা তাখি।

স্পোর্টস ঃ স্পোর্টস অথোরিতি ওফ ইন্দিয়াগা মীৎয়েং মখাদা খেল্লো ইন্দিয়াগী মনুং চন্না ১৫৬ শুবা বত্তাল্লিয়ন সি.আর.পি.এফনা শিন্দুনা জিরিবাম ক্রিকেট তুরনামেন্টকী বিদ্যানাগর মল্টিপরপজ স্পোর্টস কমপ্লেক্স গ্রাউন্দদা ঙসি শান্নখিবা মেটচতা এস.আর.সি.কে কদমতালানা লামা ক্রিকেট টিম ভুতানখলবু রন ৪৫ দা থোইখি। তুরনামেন্ট অসিদা পুন্না টিম ১২ না শরুক য়ারি।

ক্রিকেট ঃ লখনৌগী ভারত রতা শ্রী অতলবিহারি ভাজপায় একনা ক্রিকেট ষ্টেদিয়মদা ঙসি শান্নবা নুপীগী চহি ১৯ মখাগী টি-ত্বেন্তি ত্রোফি প্লেট ক্রিকেট তুরনামেন্টতা মণিপুরনা অরুনাচল প্রদেশপু ৱিকেট ৯ দা থোইখ্রে।

ফূটবোলঃ দিষ্ট্রিক্ট স্পোর্টস এসোসিয়েসন ককচিংগী মীৎয়েং মখাদা চঞ্খরকপা ২২ শুবা কে.এস.ঐচ. লৈহাও দেবী মেমোরিএল সুপর দিভিজন ফুটবোল লিগকী ঙসি শান্নখিবা ফাইনেল মেটচতা- এস.দব্লিউ.সি কৈরকনা এল.এম.এল.সি.সি লাংমৈদোংবু পাঞ্জল ৪-৩ দা থোইখ্রে। লিগ অসিগী পোইন্ট টেল্লিদা এস.দব্লিউ.সি. কৈরকনা পোইন্ট ১৮ ফংদুনা খ্বাইগী মকোক্তা লৈরে।

ফুটবোল ঃ জেলিয়াংরোং ফুটবোল এসোসিয়েসন্না শিন্দুনা চঞ্খরিবা ১৪ শুবা জাদোনং মেমোরিয়েল ফুটবোল তুরনামেন্ট ২০২৫ গী ঙসি শান্নখিবা মেটচতা এফ.সি-নৈকানলোংনা নাওরেম এন.কে.ৱাই.সি.এলবু পাঞ্জল ৯-২ দা থোইখ্রে।

ফুটবোল ঃ খা ঙাকপা ফুটবোল একাদমি ঙসি ককচিং জিলাগী পল্লেলদা হাংদোকখ্রে। থৌরম অদুদা ককচিংগী এম.এল.এ- ময়াংলম্বম রামেশ্বর শরুক য়াখি।

------